# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো খুমনগী চীংশাং পরেংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) আধার কার্দ পায়রকপা চহি ৫ অমসুং ১৫ মপুং ফারবা মীওইশিংনা আধার বাইওমেত্রিক অপদেট তৌনবা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং ঘানানা কলচর, ষ্টেন্দর্দস, আয়ুরবেদ অমসুং ত্রেদসনেল মেদিসিনগী লমদসু য়ান্ন-চেরোল মরি সহি তৌনখি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ইরাং থোকনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা বারুনি চীংগী অন্দ্রো খুমন হায়না খঙনবা চীংশাং পরেংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ট্যুব লোঞ্চর অনি, তুয়েল্ব লাইভ কাত্রিজ অমা, নাইন এম.এমগী নোংমৈ মরু অনি অমসুং অতৈ পোৎলমশিং য়াউরি।

রাজ্য অসিদা কিহন খঙহনবা অমসুং নম-হাদুনা শেনখায় থুমখায় তৌবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। মসিগী মনুং চন্না মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা মৈত্রমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রে)গী মীওই অমা ফাগৎখি।

হৌখিবা তাং ১ দা মণিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী মনুং চনবা এলাংখাংপোকপী অৱাং লৈকাই অমসুং সেকমাইজিন মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অনিসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, নিয়ম কায়না গাড়ি থৌরিবশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা লৌখৎলকপা থবক্কী মনুং চন্না ঙরাং অপুনবা শেনফম লুপা লিশিং ৯১ রোম চলান ৪৭ ককখি।

মীফম (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রালয়গী মীহুৎশিংগা কোকোমি, অমুকো অমদি ফোক্সকী মীহুৎ কাংবু অমগা হৌখিবা জ্ন ৩০ দা ৱারী শাদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াদা য়ান্নখিবা অদুগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা লুপ অহুম অসিগী লুচিংবশিংগা ঙরাং ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুংদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- মণিপুরদা লৈরিবা নেসনেল হাইৱেশিং চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা থোরাং তৌরে হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থাজবা পীরক্লে। ঙমখৈ শম্বল খাবা অমদি মীতোপ চংশিল্লকপগী মতাংদসু রাজ্যপালনা ৱাফম কয়া থম্লকপগা লোয়ননা চৎলিবা চহি অসিদা মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপ লিশিং ১৩,৯৪৫ গী বাইওমেত্রিক রেকোর্দ লৌখি। মদুগী মনুংদা মীওই লিশিং ১৩,৯১৭ তি মশাগী মরমদা হলহনখ্রে হায়না থম্লকখি হায়রি।

মহাকা হায়- লাঞ্জেন্নরিবা মীওই লিশিং ৬২ রোমগী মনুংদা মীওই লিশিং ৫ রোমদি মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনদুনা লৈখ্রে। লেমহৌরিবশিং অসিগী য়ুম কৈ

শেমজিন শাজিন্নবগীদমক লুপা লাখ ১ মখায় সরকারনা পীগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুদগী তঙ্খায় অমা হাপকৎতুনা লাখ ৩ পীনবা থৌরাং তৌরে।

অধার (এল) ঃ রাজ্য অসিগী অঙাংশিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংদা আধার পীবদা খ্বাইদগী চেকশিনবা মওংদা পীনবা পায়খৎলকপা থবক্কী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা চহি ৫ অমসুং ১৫ মপুং ফারকপা আধার কার্দ পায়রিবশিং আধার বাইওমেত্রিক অপদেট তৌনবা নোতিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

মসিগী মতাংদা দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী দি.সিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা আধার বাইওমেত্রিক অপদেট তৌবগী থবক লোইশিনগদবনি। মসিনা শাশিন্নবা আধার শেন্বা অমসুং এ.পি.এ.এ.আর জেনেরেসন তৌবা থিংবা ঙমগনি। চেরোল অদুনা হায়- ওফিসিয়েল ওইবা দেটা অমগী মতুংইন্না জিলা অসিদা হৌজিক্কী ওইনা বাইওমেত্রিক অপদেটকী পেন্দিং পুন্না লাখ ১ লিশিং ১৪,০০৬ লৈরি। মসিগী মনুংদা চহি ৫ ফারকপগী অহানবা অপদেটকী ওইনা পুন্না লিশিং ৬৫,৪৮৭ অমসুং চহি ১৫ ফারকপগী অনিসুবা অপদেটতা লিশিং ৪৮,৫১৯ পেন্দিং লৈরি। রাজ্য অসিদা মরুওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা অঙাংশিং আধার এনরোলমেন্ট তৌবগী চাং জাতি থাক্কা য়েংনবা য়ামা নেমা লৈরি।

দি.সিনা থোকখিবা নোতিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগী আধার বাইওমেত্রিক অপদেট মথং থাগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা মনাক নকপা আধার ওপরেসন সেন্তরশিংদা লোইশিনগদবনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎকী অহানবা শরুক্তা ঙরাং নুমিদাং ঘানাগী কোনুং অক্রাদা থুংখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা থুংলবদা গার্দ ওফ ওর্নর অমসুং গন সেলুট পীদুনা ঘানাগী রাষ্ট্রপতি জোন দ্রমনি

মহামানা এয়ারপোর্টতা    তরামা ওকখি। তুংদা লুচিংবা অনিনা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কুনা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারত অমসুং ঘানা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দুনা হিরম কয়াদা তাথোক তাশিন তৌনবা অমসুং তুং কোইবা মরী অমা ওইহন্নবা ৱাফম লাউথোকখি।

তুংদা লৈবাক অনিনা কলচর, ষ্টেন্দর্দস, আয়ুরবেদ অমসুং ত্রেদসনেল মেদিসিনগী লমদসু য়ান্ন-চেরোল মরি সহি তৌনখি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিগী থোইদোক হেন্দোকপা লুচিংবা অমা ওইবগী মগুনবু শিংথাবা ওইনা ঘানাগী রাষ্ট্রপতিনা জাতি থাক্তা ইকায় খুমবা ওইনা শ্রী মোদিদা ওফিসার ওফ দ ওর্দর ওফ দ ষ্টার ওফ ঘানা পীদুনা ইকায় খুমখি।

পোর্তেল ঃ    জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা য়ুনিফাইদ ইনঅন্দেসন ফোরকাষ্টিং সিষ্টেম, সি-ফ্লড ঙরাং নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। সিষ্টেম অসি ৱেব বেজ প্লেটফোর্ম অমনি অমসুং মসিনা নুমিৎ নিনিগী মমাংদা মাংজোননা ভিলেজ লেবেল ফাওবগী ওইনা ইনঅন্দেসন ফোরকাষ্টশিং ফংহনগনি।

প্লের্টফোর্ম অসিনা প্রকৃতিগী ওইবা খুদোংথিবা লাকপা মতমদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিশিংনা ফিরেপ লৌবদসু অচৌবা মতেং ওইরগনি। হৌজিক্কী ওইনা সিষ্টেম অসিনা মহানাদি, গোদাবরি অমদি তাপতি তুরেলগী খোঙবানশিং কোনশিল্লি।

মন্ত্রিনা সি.এফ. ফ্লড পোর্তেলগী মতাংদা মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্নবা মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা ৱাফম কয়া থমখি। মন্ত্রিনা হায়- প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ফ্লড মেনেজমেন্ট অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ফ্রেমৱার্ক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কোকোমি, অমুকো অমসুং ফোঙ্গকী মীহুৎ কাংবুনা ইম্ফালদা হল্লক্লবা মতুং গর্ভনরগা উন্নখিবা মণিপুরদা আধার পীবদা য়ামা কুপা য়েংশিন্নবগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- কোকোমি, অমুকো অমসুং ফোঙ্গকী মীহুৎ কাংবু ইম্ফালদা থুংলখ্রে, গভর্নর উন্নখ্রে, লাঞ্জেন্নরবশিং দিসেম্বর ফাওবদা মশা মশাগী ময়ুমদা হৃঞ্জিনহল্লগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম অমসুং নহারোলগী থৌদাংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা আধার পীবদা চেকশিন্না য়েংশিনবা হৌরে, ইল্লিগেল ফোরেনর্নরশিং আধার শাশিন্নবা ঙন্নরোই হায়না হোম সেক্রেতরিনা থমখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইন্দিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং তমেংলোং টাইমতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা আধার পীবা মতমদা য়ামা কুপা য়েংশিনবা অমসুং মীতোপনা আধার শাবা য়াদনবা অনৌবা থৌশিল পায়খৎলকপবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীং নীংখায়রকপদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদ্রে, পোৎ পুশিল্লকবা অতোপ্পা লম্বী থিরি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা মণিপুরদদি ওন্থোক ওন্থোকপা থৌদোকশিং মরাং কায়না থোকই, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্টনা পাঙথোকপা মীফমদা স্পিকরনা শরুক য়াবসি পার্লিয়ামেন্টরি কনভেন্সন অমসুং প্রাক্টিসকী ওন্ন-তৈনবনি হায়না

ভেটরান পোলিতিসিয়ান ও. জোয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা নাগালেন্দগী কোহিমা দিষ্ট্রিক্তকী ফেসামাদা নেসনেল হাইৱে তৎখিবদগী শেমজিল্লকপা, মণিপুরগী এসোসিয়েসনশিংগী মীওই চংবদা অথিংবা পীরক্লে, মপুং ফানা শেমজিনবদা মতম খরা চংখিগনি হায়বা পি.দব্লিউ.দিগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কোকোমিনা মণিপুরগী ঙমখৈদা শিংনরক্লবদি হিরম অমত্তদা য়াশিন্নবা ঙমলোই হায়না কেন্দ্রগী ওফিসিয়েলশিংদা ফোংদোক্লম্বা ৱাফম হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চাউনা চীং নীংখায়বগী থৌদোক থোকপদগী মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ ফাওনরিবা লম্বী নেসনেল হাইৱে-টু চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------